# লৈবাক অসিগী ৭৬শুবা নীং-খা তন্বগী নুমীৎ মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং য়াওনা পাক-শন্না পাঙথোক্লুখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী নীং-খা তমখিবা নুমীৎপু নীংশিংবগা লোয়ননা নীংতম্নবগী লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংবুসু নীংশিংবা ওইনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লুবগুম মণিপুরগী মফম কয়াদসু পাক-শন্না ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং য়াওনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোক্লুখ্রে।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানসু শীন্দুনা থৌবাল অমসুং ৱাংখেমগী কমরেদশিংনা ক্ষেত্রি শঙলেন থৌবালদা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর কমরেদ এস সরোজিনি অমদি শক্লাইরবা ডা. ক্ষেত্রিময়ুম অনীনা লুচিংদুনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা নীংতম্বগী নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবশিংনা ইন্দিয়াগী নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লুচিংবশিংবু নীংশিংবগা লোয়ননা ঈকায়খুম্ন বা উৎখি হায়না এম এস সী, সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জয়কুমার লুৱাংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, ওল ইন্দিয়া তাঞ্জিম ঈ-ইন্সাফ (এ আই টি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, ১৬শুবা অসাম রাইফলস লিলোং অমদি মদ্রাসা দরুল উলুম হাওরৈবী মর্কজ লিলোং অহুম্না পুন্না শীন্দুনা লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীদা ইন্দিয়াগী নীংতম্বগী ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্সকী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না এ আই টি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি দব্লিয়ু এম জাকিরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রাজ ভবননসু শীন্দুনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সেক্রেটরি টু গভর্ণর বোবি ৱাইখোমনা নেসনল ফ্লেগ চিংখৎখিবগা লোয়ননা সী আর পি এফকী কন্টিঞ্জেন্টশিংদা সেল্যুট পীখি। লোয়ননা থৌরম অদু নেসনল এন্থেম শক্তুনা হৌদোকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনসু শীন্দুনা সুমাক লৈকায় গ্রাউন্দ ককচিংদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার ককচিং সোমোরজিৎ সলামনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না কন্টিঞ্জেন্ট কয়ানা চৎখিবা মার্সিং পেরেদশিং রিভিয়ু তৌখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কামজোংনা শীন্দুনা কামজোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার রংনামৈ রেং পিট্টরনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখিবগা লোয়ননা ৭৬শুবা ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কন্টিঞ্জেন্ট ১৪না মাস পাষ্ট চৎখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুড়াচান্দপুরনা শীন্দুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নার পৱন যাদবনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা অমদি কন্টিঞ্জেন্ট কয়ানা শরুক য়াখিবা মাস পাষ্ট ওকপগা লোয়ননা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মীথোই মীহেল্লবশিংদা এৱার্দ পীদুনসু ঈকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনসু শীন্দুনা কাংপোকপী হেদ ক্বার্টরদা লৈবা বৃগেদিয়র থোমাস গ্রাউন্দদা ৭৬শুবা ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার কেঙ্গু জুরিংলানা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা কন্টিঞ্জেন্ট ১৮না চৎখিবা পেরেদ অদুগী সেল্যুটশিং ওকখি। থৌরম অদুদা মহাক্না ইন্দিয়াগী নীংতম্লকপগী পুৱারীগী ওইবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম দেপ্যুটি কম্মিস্নার লৌরেম্বম বিক্রমনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখি হায়রি।

অমরোমদা, মহুদ, রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগী য়ুমদা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা লৈবাক অসিগী নীং-খা তম্বগী নুমীৎ পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ক্যেরটেকর মেয়র এল লোকেশ্বর, কোর্পোরেটরশিং, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খান অমদি বি জে পি মণিপুরী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙরাং অয়ুক ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বোসেমগী ওফিস কমপ্লেক্সতা চ্যেরমেন, সেক্রেটরি অমদি ষ্টাফশিং য়াওনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা চিংখৈ চীংদা লৈবা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস অৱাসিয়া বিদ্যালয়াদা স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর গ্রিবর্টনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নীংতম্বগী নুমীৎ পাঙথোকখ্রে হায়রি।

সোরা এক্স-সর্ভিসমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এস ঈ এস দব্লিয়ু এ) সোরাগী ওফিসতসু উপ-অধক্ষা এম দি নাজিমুদ্দিন, সোসল ৱার্কর এম দি ননাও, আই ঐচ আর সীগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট এম এল জুলফিকর অলম সৈখ, সোরা ভিলেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরি মোহম্মদ রফি অমদি পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট এম দি সটারগা লোয়ননা এস ঈ এস দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট এম দি গয়াজুদ্দিন, সেক্রেটরি এম দি নাজির খান অমসুং মেম্বরশিং য়াওনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ইন্দিয়াগী ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা শীন্দুনা তেংনৌপল গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা দি সী মানুআমসিনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা শীন্দুনা সেনাপতিগী মিনি ষ্টেদিয়মদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার মহেশ চৌধুরিনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ইন্দিয়াগী ৭৬শুবা নীং-খা তম্বগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখি।

নাকল অমরোমদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার দব্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ৭৬শুবা ইন্দিয়াগী নীং-খা তম্বগী ইন্দিপেন্দেন্স দে পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা ইমপ্লোয়ী ৬২দা এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেটসু খুৎশিন্নখি হায়রি।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো ইম্ফাল অমদি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসনগা লোয়ননা আর ও ইম্ফালগা পুন্না ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট (আই বি এস দি) গী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজি, মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মিনিষ্টর ফোর পৱার, ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ, এগ্রিকলচর, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর থোঙাম বিশ্বজিৎনা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ৱা ঙাংখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা শীন্দুনা কোভিদকী এস ও পি ঙাকপগা লোয়ননা ফেরজোলগী প্লে গ্রাউন্দদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার জোসেফ পৱন কামসোননা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শীন্দুনা নোনেগী লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার হৌলিয়নলাল গুইতেনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কন্টিঞ্জেন্ট ১৩না শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল এ সুভাশনা লুচিংদুনা থৌবালগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা শীন্দুনা জাফৌ বজারদা লৈবা মহা য়ুনিয়ন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার ময়াংলম্বম রাজ কুমারনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না দি সী এন্দ এস পি টিম অমদি ভিলেজ চীফকী টিমগী মরক্তা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অমসু শান্নখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)না শীন্দুনা রিমসকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক্তা দিরেক্টর এ শান্তনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি হায়রি।

## পাক-শন্না মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা ইন্দিপেন্দেন্স দে পাঙথোক্লুখ্রে














## মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী লীক্লমচৎতগী চথুদুনা লাক্লিবা জেনরেল এসেমব্লী মীফম হন্দক চহীগী ওইনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৫গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা এমসুগী হেদ ক্বার্টরগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা জেনরেল এসেমব্লী মেম্বর খূদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা এস ভি সী মেম্বর খক্তগী ওইবা থ্রী দেজ লিদরশিপ রেসিদেন্সিএল কেম্প অমসুং পাঙথোক্লগনি হায়না এমসুগী সেক্রেটরি জেনরেল বিক্রমজিৎ থোঙামগী চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : রাইটর্স য়ুনিয়ন ইম্ফালনা শীন্দুনা *কয়ামুদ্দিন অমসুং মাগী সাহিত্য* হায়না মিংথোনবা মহাক্কী মরমদা এম এম অহম্মদনা খোমজিনবা লাইরিক অমা থা অসিগী ওগষ্ট ২১, নোংমাইজিং নুমীৎতা মেজের খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী বি এম মৈস্নাম্বনা অথোইবা মীথুংলেন, ক্বোড রাইটর্স মোইরাংগী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বা, য়ুনাইটেদ কোলেজ চান্দেলগী মণিপুর দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি ইবোসনা য়াম্বেম অমসুং এম এম দব্লিয়ু ওগী এদভাইজর মুহম্মদ হাশিমুদ্দিননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি। লোয়ননা রাইটর্স য়ুনিয়ন ইম্ফালগী ডা. সয়েদ অহমদনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি হায়না রাইটর্স য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এম এ হাশিমগী চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৱারেপপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। সনামহী লাইনিংবু সেন্সস রিপোর্টতা য়াওহন্নবগীদমক ২০০২গী জুলাই ৩১দা মতম অদুগী এম এল এ ওক্রম জয়না মণিপুর এসেমব্লীদা পুথোক্তুনা খন্নখিবা রিজোল্যুসন অমবু চৎলিবা চহী অসিগী ১২শুবা মীফমদা এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা অমুক হন্না পুথোকপীরক্তুনা সনামহী লাইনিংবু সেন্সস রিপোর্টতা মনুং চলহনবগা লোয়ননা সেন্সস ওপরেসনদা তোঙানবা কোদ অমা লাইনিং অসিগী পীবীয়ু হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা তকশিন্নবা অমুক হন্না খন্নখিবা অদুবু সনামহী লাইনিংগী ইরাৎ ইশোন তৌজরিবা অমাই পিবা অপূল লূপ কংলৈপাক (অপাল)না হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না অপাল কংলৈপাক্কী থৌবুরেল ৱাফোংবা কিরনকুমার ময়াংলম্বমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ‘লোক্তাক্লা হিংনবা হোৎনজবা মীয়ামগী রাইট ফংহনবীয়ু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা থুমহিচেন্দবা অমসুং পাৎ অসিগী লুরবা ঈশিংবু উবদা মীপুম খূদিংমকপু পূক্লিংহুনা নীংথিজরবা ঐখোয়গী লোক্তাক পাৎপু কন্নবা অমসুং ফগৎনবা হোৎনরকপা খূদিংমক থাঙ্গ লোকেল সী পি আইনা তরাম্না ওকই। অদুবু লোক্তাক পাৎনা হিংনবা হোৎনজরিবা মীয়ামগী রাইটপুসু ফংহনবীয়ু হায়না থাঙ্গ লোকেল কাউন্সীল সী পি আইগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম মঙ্গীগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা অফবা থৌরাংশিংবু লোকেল কাউন্সীল অসিনা চপ চানা থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোক্তাক মোৎপা অমসুং সঙাইগী লৈফম লৈরক্তবা অসি লোক্তাক প্রোজেক্ট লৈত্রিঙৈ মমাঙদা তৌরমদে। অদুবু প্রোজেক্ট অসিগী কম্মিসন তৌরকপা মতুংদগীদি মথং-মথং প্রোব্লেম কয়া থোরক্লে। থাঙ্গ এ সীগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম শু-নোমদুনা হিংজবা পুম্বা লোক্তাক ময়াইদা লৈরিবনি। লোক্তাক পাৎ অসিদা ঙা ফাদুনা য়োল্লুরবা মতুং মদুদগী ফংলকপা শেনফমনা হিংনবগী লম্বী ওইজরিবনি। লূ-লাং থাকপগী থবকশিং অদু হৌজিক্তি য়ারক্তবগী ফীভমদা লাক্লে। মদুনা মরম ওইদুনা মদুদগী তাঞ্জরম্বা শেনফমশিং লাক্লুবগী লম্বী পুমতৎ তৎখিবগুম ওইরে।

লোয়ননা ইমুং-মনুং পুবা ঙল্লক্তবা অমসুং হিংবদা ৱারকপগী ফীভম অমদা লাক্লে। লোয়ননা থাঙ্গদা লৈরিবা অন-ইমপ্লোয় এদ্যুকেটেদ য়ুথশিংনা লোক্তাক্তা হোম ষ্টে তৌদুনা শেন্দাল লম্বী ওইরম্বা অদু অথিংবা পীবীগনু। মদুবু অয়াবা পীবীদুনা হিংনবগী লম্বী পীবীয়ু। খাংপোক ভিলেজ ফুম মথক্তা শাবগী থবক অসি মখা তানা চথুহনবীয়ু। লোয়ননা কংফালগী শরুক্তা লৈরিবা কৈবুল, চীংমৈ, চান্দপুর, মোইরাং খুনৌ, কৈরেলফাবী, থাঙ্গ লৱাই, কুম্বী পাৎ, খোর্দাক অমদি নোংমাইখোং হায়রিবা খুলশিং অসিনা তৌজরম্বা থবকশিং মখা তানা তৌহনবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ‘শগোল মপুশিং চৈরাক পীবীয়ু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা ওগষ্ট ১০গী নুমীদাং হুইদ্রোমদা লীলা শান্নরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা পুরৈরোম্বা খোংনাংখোঙদা থাদোক্তুনা লৈরম্বা শগোলনা কাউরকপদগী সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী মরুওইবা নুপীগী শক্তম লাঙলিবী হিজম জগদিসকী ওইথংবা খুৎকী শরু তেকপগা লোয়ননা মরুওইবা শিংলি অনী তৎতুনা মপান লমদা লায়েংবা চৎখিবদগী সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী হান্না লৌশিঞ্জরুবা লীলাশিং মতম খরগী শান্নজররোই হায়না সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি টি ঐচ শানৌবীগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্কী অথিংবা লৈনা লৈনা শগোল মপুশিংনা থৌশাদদুনা শগোলশিংবু লম্বীদা থাদোক্তুনা থম্বনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনবদা নত্তনা মাঙখিগদৌরিবা পোনি শগোলশিংবু মাঙহল্লি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোয়ননা লাইবক থীবা এক্সিদেন্ট অসিদা শোক্তুনা লায়েংলিবা অনাবগীদমক নুংশিবীদুনা লায়েংবা অসিদা চঙগদবা শেনফমশিংদা মতেং ওইনা শেলগী তেংবাঙ পীবীয়ু হায়নসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোকচরি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## পব্লিক য়ুরিনেল পোইন্ট খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : সোসল ৱার্কর ৱাংজম রোবিননা থৌবাল খেকমনগী মীয়ামদা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী নুমীৎতা পব্লিক য়ুরিনেল পোইন্ট অমা খুৎশিন্নখ্রে হায়না য়ুথ ফ্রন্টস সোসল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন খেকমন থৌবালগী প্রসিদেন্ট ৱাংজম রোবিনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী থৌবাল খেকমনগী মীয়াম্না তঙাইফদনা মপান-ইপান থোকপা পাম্লকপা মতমদা পব্লিক য়ুরিনেল পোইন্ট লৈতবনা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। অৱাবশিং অদু য়েংলগা ডা. অম্বেদকর ফেল্লোশিপ নেসনল এৱার্দী ফংখ্রবা সোসল ৱার্কর ৱাংজম রোবিননা মীয়ামদগী অঙম্বা শেলগী মতেংগা লোয়ননা পব্লিক য়ুরিনেল পোইন্ট অদু শাবা ঙমখিবনি। খেকমনগী মীওই ২৬১না পীবীরকখিবা শেলগী মতেং লুপা লিশিং ১১ অসি পুন্না লুপা ১৫,৫০০ রোম পব্লিক য়ুরিনেল পোইন্ট অসি শাবদা চঙখি হায়রি।

গভর্ণমেন্টকী মতেং য়াওদ্রবসু মীয়াম্নসু সেক্রিফাইস অমদি য়ুনিটি ওইমিন্নরবদি লমদম অমা চাউখৎপা য়াই হায়বদু খেকমনগী মীয়াম্না উৎলে হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ১০শুবা এদ্যুকেসনল ইন্সপিরেসন এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : লাক্ষস পাইওনিয়র কম্মিটি নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকায়না শীন্দুনা বোসেম, কোসেম, সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামদা চাদা মার্ক ৬০গী মথক্তা ফংবা মহৈরোয়শিংদা পূক্লিং থৌগৎতুনা পীবা ১০শুবা এদ্যুকেসনল ইন্সপিরেসন এৱার্দ কুমশি চহীগী ওইনা খুল্লেম লৈকায় কম্যুনিটি হোল বোল লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এ ভৈগ্যাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা মণিপুর প্লান্নিং দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন ওইবদা নত্তনা লমশাং এ সীগী এম এল এ সোরোখাইবম রাজেন, লাক্ষস পাইওনিয়র কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নাওশেকপম খাবা খাঙানবা, চীফ এদভাইজর ঙাঙোম কেশো, এদভাইজর থৌদাম হেমচন্দ্র অমদি চিঙ্গাংবম ধনঞ্জয়না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

আই এম সী ৱার্দ নম্বর ২৭কী মনুং চনবা লমশাং এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন মরিদা লৈবা বোসেম, কোসেম অমসুং সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামদা চাদা মার্ক ৬০ ফংদুনা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা, সর্টিফিকেট অমদি মমেন্টো পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এম এল এ রাজেননা ফোঙদোকখিবদা, ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসী ২০২০না মহৈরোয়শিংবু হান্নদগী হেন্না ফবা মহৈ-মশিন অমা পীবা ঙম্লগনি। মহাক্না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা পাঙথোকপা হৌরম্লবা থবকশিং মখা তানা চীফ মিনিষ্টরগা তান্নদুনা অফবা এদ্যুকেসন সিষ্টম অমা পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু অঙম্বা মতেং পাংগনি। লোয়ননা মায়কৈ অসোমদা অফবা মহৈরোয় কয়া থোক্লকপা হায়বসি লাইবক ফবনি ফোঙদোকখি হায়রি।

## জি টি পি দি সীনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : চৎলিবা থা অসিগী ওগষ্ট ১৬তা গ্রেজ্যুএট টিচর্স প্রমোসন দিমান্দ কম্মিটি ২০২২ (জি টি পি দি সী)না কম্মিস্নার এদ্যুকেসন (এস), দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস) অমসুং সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর ওফ এদ্যুকেসন (এস) তা প্রাইমারী টিচরদগী গ্রেজ্যুএট টিচরদা প্রমোসন কাননবগী মতাংদা কন্সর্ন ওথোরিটিনা থম্লক্লিবা কমিসনদা গ্রেজ্যুএট টিচর্স প্রমোসন দিমান্দ কম্মিটিনা য়ানিংদবা ৱাফম কয়াদা য়ুম্ফম ওইরগা মেমোরেন্দম অমমম সবমিট তৌখ্রে হায়না জি টি পি দি সীগী কো-কনভিনর ইরোম সুশিলকান্তগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্লা হায়বদি কন্সর্ন ওথোরিটিনা প্রমোসনগী মতাংদা মীয়াম্না হায়বদি লো/লিগেলনা য়াদবা থম্লক্লিবা ৱাফমশিংদি থবক অমা চঙবা মতমদা ইমপ্লিমেন্ট তৌখিবা সর্ভিস আর আর হায়বদি কুমজা ২০১৬কী নবেম্বর ২৬কী আর আরদা প্রাইমারী ওজাদা থবক চঙখিবা ওজাশিংবু হায়রিবা আর আর অসি ভাইওলেট তৌরগা কুমজা ২০২১গী এপ্রিল ৫দা নৌনা ফোঙলিবা আর আরদা বেজ তৌরগা প্রমোসন পীনবা থৌরাং তৌরকপা থৌওং য়ানিংদে। হৌখিবা ২০২১গী দিসেম্বর ২১দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা প্রমোসনগীদমক জজমেন্ট অদুগী মতুংইন্না প্রাইমারী টিচরদগী গ্রেজ্যুএট টিচরদা প্রমোসন অথুবা মতমদা প্রমোসন প্রোসেস লোইশিনবীদুনা মণিপুরদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরকপদা ওজাশিংনা অচৌবা থৌদাং পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মেমোরিএল মেরিট এৱার্দ লাম্থোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা চহীশিংদা পাঙথোকপগুম কুমশি চহীগীসু ১৫রকশুবা ওইনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ব পাস তৌরকখ্রবা খুম্বোং খুলগী মহৈরোয়শিংবু ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৩, লৈবাকপোকপা নুমীৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা খুম্বোং মমাঙ লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা ৪রকশুবা তাওরেম কুল্লচন্দ্র মেমোরিএল মেরিট এ)ার্দ ২০২২ লাম্থোক্লগনি হায়না ফ্র্যুইটস প্লান্টেসন মিসন (এফ পি এম) মণিপুরগী চ্যেরমেন লোকেন্দ্রো লোংজমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খুল অসিগী পাস তৌরকখ্রবা মহৈরোয় ৩৭ তা উহৈ পাম্বী অমদি খুদোলপোৎশিং পীদুনা ওকপগী থৌরম অসিদা ওজাগী শিনফমদা চহী লিশাং শিৎনা কথোক্তুনা লাক্লবা ওজাশিংদা ঈকায়খুম্নবসু উৎকনি। থৌরম অসিদা রিমসকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট সাইকিয়াট্রি ডা. অরা কে লেনিননা মোটিভেসনেল স্পিছ পীগনি। হান্নগী এম পি ডা. টি মৈন্যনচিংবসু শরুক য়াগনি হায়রি।

## ক্লাসিকেল দান্স ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : মৈমৈ ট্রেদিসনল দান্স টিচিং স্কুল এন্দ পর্ফোর্মিং সেন্টরনা শীন্দুনা জুলাই ২০দগী চথুরকপা ৱার্কশোপ ষ্টদি ওফ ওরিজিন এন্দ ষ্টাইল ওফ ক্লাসিকেল দান্স হায়বা থীমদা অখন্নবা ভঙ্গীজ, গোষ্টা ভঙ্গী অমসুং গোপী ভঙ্গীদা পাঙথোরকপা ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম অমা ললাম্থুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকায়, রিমস লম্বীদা লৈবা সেন্টর অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা এম টি দি টি এস এন্দ পি সীগী ট্রেজরর হাওবম মনিগোপালনা অথোইবা মীথুং অমসুং এম টি দি টি এস এন্দ পি সীগী প্রসিদেন্ট পদ্মশ্রী ডা. ইলাম ইন্দিরানা থৌরম মপু অমসুং গুরু জে এন এম দি এ, এল গামেশ্বরনা মীথুং ওইখি।

অজাদি কা অমৃট মহোটসবকা লোয়ননা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা ইলাম ইন্দিরানা ফোঙদোকখিবদা, ওগষ্ট ১৭, ১৮দসু থৌরম পাঙথোক্কদবা লৈরি। মসিনা মাগী মাগী ফুরুপকী ইন্দিজিনস জগোয় লৈরিবশিং অসি উৎননবা হোৎনবনি। লোয়ননা চহী ৩০গী দোক্যুমেন্টরি অমসু উৎকনি। ঐহাক্না হিংলিবা ফাওবদি অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## শরিৎ-শরাক্কী মহৈ ফূন-কাঙলোন তম্বীবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস একাদেমীগী মীৎয়েং মখাদা শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরনা ঙাইরাংবমদা লৈবা এস কে আইদিয়েল হায় স্কুলদা মহৈ তম্লিবী নুপীমচাশিংদা মশা ঙাকথোক্নবা শরিৎ-শরাক্কী ওইবা মহৈ ফূন-কাঙলোন কয়া নুমীৎ নীনি চুপ্না তাকপী তম্বীখ্রে হায়না শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল লশামোনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মালেমগী ওইনা শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা লেপ্পুরবা মতুংদা মখা তানা তাকপী তম্বীবগী ট্রেনিং অসি মখা চথুবা হৌরগনি। ট্রেনিং অসিদা মপাঙ্গল কল্লবা নুপা অমনা শোল্লবী নুপী অমদা নমজা নমথেক্নবা, হাৎনবা হোৎনরকপা মতমদা পাঙ্গল শোল্লবী নুপী অমনা কমদৌনা মশাবু কঞ্জগদগে, কমদৌনা মায়োক্নগদগে হায়বা নুপীশিংনা য়াম্না লায়না শীজিন্নবা য়াবা ফূন-কাঙলোন কয়া অদু মচা খায়না ট্রেনিং অসিদা তাকপী তম্বীরি। ট্রেনিং অসি পাঙ্গল ৱানা, হুমাং তানা, চোং-ফন্দুনা তমগদবা নত্তে। য়েংবদা, তাবদসু হেক্তা য়াম্না লায়না খঙহৌবা অমদি হৈহৌবা য়াবা ফূন-কাঙলোন কয়া য়াওরি হায়রি।

শরিৎ-শরাক এসোসিএসন্না ফ্রী ওফ কোর্সতা লাপ্পা, নকপা লৈতনা স্কুল/কোলেজনচিংবা মফম কয়াদা লৈরিবা নুপীমচাশিংদা থোক্লকপা য়াবা খুদোংথিংবা কয়াদগী মশাবু কঞ্জনবা পীরিবা ট্রেনিং অসিবু পাঙথোক্লিংবা লৈরগদি এসোসিএসন অসিদা পাউ পীবীরকউ। লোয়ননা অকুপ্পা মরোলগীদমক্তা এসোসিএসন অসিগী কন্টেক্ট নম্বর ৯৬১৫২১৯০৮০দা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।